ভিলেজ চীফশিংগা ৱারী শানখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): শজিক তম্পাক অমদি অকোয়বগী খুঙ্গংশিংদা অসাম রাইফলসনা ওক্টোবর ১২দগী ১৫ ফাওবা ভিলেজ চীফশিংগা উনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। আই জি এ আর (সাউথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কানা ভেলি ভিলেজ চীফস এসোসিএসন, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, জৌ সংনুপাং পোলপি অমসুং শজিক তম্পাক্কী পাষ্টরশিংনা ৱারী শানবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল ঙাক্না তোঙান তোঙানবা খুঙ্গংগী মীহুৎ ৬০ হেনবগা উনদুনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

GAS NEWS

KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG
Booking upto :16/10/2020
Valid from : 04/10/2020
Please Contact : 7085412119/ 7085411559
Time: 7:30am to 10:30 am.

TANGLEI GAS OINAM
Booking upto : 10/09/2020
Valid from : 06/09/2020
Stock : 306
Time : 7.00am to 10.00am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 29/08/2020
Valid from : 20/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 30/08/2020
VALID FROM : 26/08/2020.
DROP IN BOX. & HOME DELIVERY.M.NO. 9089177227 & 9366597565. M.BOOKING OFFICE - 9089161416. CONT. TIME : 7.00AM.TO.10.30 AM.

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT
Booking upto : 01/07/2020
Valid from : 25/06/2020
Home delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time : 08:00 am to 10:00 am

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 22/08/2020
Valid from : 05/08/2020
Stock :- 286
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 09/09/2020
Valid from : 17/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking upto : 10/10/2020
Valid from : 10/09/2020
Stk. : 306
(CallTime : 08 am to 12 Noon)
Home delivery only
93663 51735, 7005633725, 7005022459

JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto : 02/09/2020
Valid from : 02/08/2020
Time : 8:00am to 11:00am
Call only A) 6033989480 Naoriyapakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481, Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482, Thongju , Khurai Wangoi, & other
Booking After Delivery 1 (one) Day call only
Plz contact same No.
No Booking Delivery Day

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 20/08/2020
VALID FROM : 06/08/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299 FOR SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 06/08/2020
Valid from : 05/08/2020
Only home del.
Cont. No. 7005934398, 7629076494, 8787330040.
Whatsapp No. 9366502930.
Office No. 6381538861
Enquiry No.7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

নুপীশিংগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবদা পুন্নমক্না শৌগৎফম থোকই : হেনরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী নুপীশিং হীরম খূদিংমক্তা ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনবা পুন্নমক্কা শৌগৎফম থোকই হায়না সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম এস সী দব্লিয়ু)না শীন দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্সীরৈ হোলদা মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম এস সী দব্লিয়ুগী চ্যেরপর্সন ডা. বিনোতা মৈনম, বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি ডা. চিথুং মেরি থোমাস, কম্মিসনগী মেম্বরশিং অমদি অতৈ মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ওনলাইন এসে কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা মিনিষ্টরনা মনা খুৎশিন্নখি। মিনিষ্টরনা 'কষ্টমরি লোজ, অলকোহোলিজম এন্দ সবষ্টেন্স এব্যুজ: এ হায় ভোল্টেজ ওফ দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া' হায়বা হীরমদা নেসনল ৱেবিনার অমা হৌদোকখি। অকোনবদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিএল হোলদা মিনিষ্টরবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা হায়খি, মদুদি ষ্টেট অসিদা মরী লৈনবশিংনা হীরম খূদিংমক্তা থোং মান্ননা চাউখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে। ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াশিং শেমগৎ-শাগৎপদা আই এম সীগী কোর্পোরেটরশিং অমদি মহুদকী ওফিসলশিংনা অঙন্বা থৌদাং লৌবা তঙাইফদে। আই এম সীগী ইমপ্লোয়ীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অথুবা মতমদা কোকহন্নবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বর, কোর্পোরেটরশিং, মহুদকী দিরেক্টর টি ঐচ হরিকুমার, লোয়ননা আই এম সী অমদি মহুদকী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

ওজাশিং থিকাদা পুক্লিং চঙলোইদবনি : এস রাজেন

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্কী স্কুল অমদি কোলেজশিংদা থবক তৌরিবা ওজাশিংনা থিকাদা পুক্লিং চঙলোইদবনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন্না ফোঙদোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা স্কুল অমসুং কোলেজশিং য়েংশিনবগী খোঙচৎতা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদা দি পি আর শেন্নগা পীখৎলক্নবা খঙহনখ্রে। দিপার্টমেন্টকী বজেটতা লৈবা শেনফমশিং শীজিন্নদুনা লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিং শেমজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। লৈঙাক্কী স্কুল অমসুং কোলেজশিং শীথরকপগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্সটিট্যুটশিংগী মকোকশিং অমসুং ওজাশিংনা মথৌদা থৌশারক্তবনা ফিভম অসি ওইরকপনি। অতোপ্পা মরম অমনা মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংগী অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমজিন-শাজিন্দবননি।

মিনিষ্টরনা থম্বাল মরিক কোলেজ, ওইনাম গভর্নমেন্ট হায় স্কুল, সী আই কোলেজ, মাঙ্গোলঙানবী কোলেজ, নিংথৌখোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি তৌবুলগী ফিস ফার্ম য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদুদা মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বর, নিংথৌখোং এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস, মোইরাং এ সীগী এম এল এ সরতচন্দ্র, হান্নগী মিনিষ্টর এন মঙ্গি, সোসল ৱর্কর এম অসনিকুমার, হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন কম্মিসনর এম হরেকৃষ্ণ অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়রিং ৱিংগী চীফ এঞ্জিনিয়রনচিংবসু লোয়নখি।

পুলিসনা কোভিদ-১৯গী এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা ঙসি ইম্ফালগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোয়না চত্তুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে মেঘাচন্দ্রগী লমজিং মখাদা মশিং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি অয়ুক কংলাগী মনিংথংবা সনাথোংদগী হৌরগা নাগামপাল, খুয়াথোং অমদি ইম্ফালগী অকোয়বদা ষ্টেট কোভিদ-ফ্রী হায়বা বেনর পায়দুনা রেলি চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পুলিস পর্সনেলশিংনা লম্বীগী নাকলদা দুকান ফম্বা অমদি পোৎফম ফন্বীশিংদা ফেস মাস্কশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা লম্বীদা চৎলম্বা মীওইশিংদসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখি।

মীয়াম্না য়ুমদগী থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্পা, মী অমগা মী অমগা থৈনবদা ফিট ৬ লাম্না সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপগা লোয়ননা খুৎ-শা তোয়না হামদোকপা শোয়দনা পাঙথোকপীনবা অমুক হন্না মীয়ামদা খঙহনখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস এন্দ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না শীন্দুনা কোভিদ-১৯ এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম, জন অনদোলন (পব্লিক কেম্প্যেন) ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা ফেষ্টুন পায়দুনা রেলি চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা য়ুমদগী হেক মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপকদবনি, মী অমগা মী অমগা হেক থেংনবদা ফিট ৬ লাপ্পা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎকদবনি, লোয়ননা খুৎ-শা তোয়না হামদোক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু মীয়ামদা লাউদস্পিকর শীজিন্নদুনা খঙহনখি।

ৱর্ল্ড ফুদ দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : মালেমগী মফম শীন-থুংনা পাঙথোক্লরিবা ৱর্ল্ড ফুদ দে ২০২০, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে) থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

গ্রো, নোরিস, সষ্টেন টুগেদর হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী জোইন্ট সেক্রেটরিসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক (এম এস সী বি)গী মেনেজিং দিরেক্টর এ সুভাস আই এ এস, নবার্দ মণিপুরগী জেনরেল মেনেজর দি এম শ্রিনিভাসা রাও, মণিপুর এস এফ এ সী অমসুং কন্সল্টেন্ট ওইল পাম মিসন মণিপুরগী প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর এম এস খাইদেম অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর লালতনপুই ভানচহোং, আই এ এসনা মথং শীৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোলদা জোইন্ট সেক্রেটরি এ সুভাসনা হায়, লৌমীশিং লৈবগী ঐখোয় হিংবা ঙম্বনি, লৌমীশিং চাওখত্তনা মণিপুর চাওখৎপা ঙম্লোই, মরম অসিনা মখোয়বু শৌগৎপিদুনা এগ্রীকলচর সেক্তর চাওখৎহনবনা লমদম অসিদা চীঙ্গাক ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্ন হল্লোই। মখোয়গীদমক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না মখল কয়াগী খুদোংচাবা পীরি। লৌমীশিংদা পীরিবা খুদোংচাবশিংগী মরক্তা কে সী সী অসিনা খ্বাইদগী কান্নবা পীবা ঙমগনি হায়না থাজে। মরমদি ফার্মরশিংগী ক্রেদিট একাউন্টিশিংদা হাপ্লকপা শেলশিং অদু ইশাগী দরকার লৈবা খক্তদা লৌথোক্লগা শীজিন্নবা অমদি ঙল্লকপা মতমদা শীদোকপা য়াই। মহাক্না লৌথোকখিবা মতম অদু খক্কী শেন্দোল পীগদবনি। অমুকসু চাং নাইনা লোন শীংগৎপা বেঙ্কনা শকখঙলবা ফার্মরশিং অদুদি চহীদা চাদা ৪খক্তা ওইগনি।

এম এস সী বিনা ঙসি ফাওবা কে সী সী লোন ওইনা ফার্মর ৮৭৬ তা লুপা ক্রোর ৫ লাখ ১৩ পীখ্রে। ঐখোয়গী লোন শীংবগী হৈনবী থমসি, লৌমীশিংগীদমক্তা এম এস সী বি মতম চুপ্পদা লৈ। চাওখৎপা মণিপুর অমা শেমগৎপদা শরুক য়ামিন্নসি হায়রদুনা সুভাসনা মখা তানা লৌমীশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা নাবার্দকী সপোর্ট মখাদা ভিলেজ লেভেল সাইন্টিফিক পিগ বেঙ্কগী থৌরম হৌদোকখিবগা লোয়ননা ফার্মরশিংদা কিসান ক্রেদিট কার্দ (কে সী সী)সু য়েন্থোকখি।

ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিংদা খুৎ থীংজিন্দনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা পোলিটিকেলগী ইথিল শীজিন্নদুনা ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিংগী থবক থৌরমদা খুৎ থীংজিন্দনবা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না ট্রান্সফর অমদি পোষ্টিংগী থবক থৌরমদা খুৎ থীংজিনবা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

পোলিটিকেলগী ইথিল শীজিন্নরগা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী থবক থৌরমদা খুৎ থীংজিনবা থেংনরে হায়না পল্লদুনা ওফিস মেমোরেন্দম অসিনা হায়, কনাগুম্বা ইমপ্লোয়ীশিংনা অসিগুম্বা থৌওংশিং মখা তানা চথরকপা থোক্লবদি সেন্ট্রেল সিভিল (সর্ভিসেস) কন্দক্ট রুলস ১৯৬৪গী রুল ২০ অমসুং ওল ইন্দিয় সর্ভিস (কন্দক্ট) রুলস ১৯৬৮গী মতুং ইন্না মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

চাবা থকপা ফংদবনা নুমীৎ খূদিংগী...

লামায় ১গী মখা... তোন্দিনাং পামৈ অমদি অতৈ মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা কম্মিস্নারনা হায়খি, কুমজা ২০৩০ ফাওবদা লায়রবগী চৈথেং কোকহনবগা লোয়ননা মীপুম খূদিংমক নীংথিনা চাবা থকপা ফংহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মেম্বর লৈবাক ১৯৩না য়ান্নচে অমা খুৎয়েক পীনখি। পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিগী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই খূদিংমক্না অঙন্বা থাক্তা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তাই।

রিজাইন তৌখিবা বি জে পি এম এল...

লামায় ১গী মখা... সবমিসন তৌদুনা মেন্সন তৌখি। দিভিজন বেঞ্চনা সিনিয়র কাউন্সেল অমসুং অতোপ্পা কাউন্সেল অমগী ৱাফমশিং অসি তারবা মতুংদা রিজিগনেশনগা মরী লৈনবা এক্স এম এল এ অহুম্মক্কী কেসশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েল থাসিগী ২০গী অয়ুক পুং ১০.৩০দা ফিক্স তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, এক্স এম এল এ অহুমগী সিভিল রিট পিটিসনশিং অসিগী ৱায়েল চথরকপদগী হৌজিক কেসশিং অসিগী ৱায়েলগী তাঙ্কক পর্ট হর্দকী ষ্টেজ য়ৌশিল্লক্লবনি। এক্স এম এল এ এস সুভাসচন্দ্র অমসুং টি টি হাওকিপকী মায়কৈদা লেপ্লিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসন্দা অয়াবা পীখিবদগী ঙসি ফিক্স তৌবা এক্স এম এল এ সামুল জেন্দাইগী মেটরসু খন্নখিদে।

নাগাশিংনা ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী শরুক...

লামায় ১গী মখা... পাউখুম মহাক্না পীখিদে। নাগাশিং ইন্দিয়াগী লৈঙাক মখাদা লৈরকখিদে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, তোপ-তোপ্পা পুৱারী অমসুং শক্তম লৈজবা নাগা মীয়ামগী তোখায়বা ফিরাল অমদি কনষ্টিট্যুসন লৈহনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। করিগুম্বা ৱাফম অসিদা সেন্টরনা অয়াবা পীদ্রবদি নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই।

পনবা য়াবদি, নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি) অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ঙরাং অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হৌজিক চথরিবা নাগাগী ৱারোইশিন পুরক্লবা থৌরাং অসিদা অমত্তা ওইনা শৌগৎপা হায়না ৱারেপ লৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক এন এস সী এন-আই এমনা তোখায়বা ফিরাল অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপ অসিগা মরী লৈনবা ৱারেপ অমত্তা লৌখিদে।

নাগা তাবা মফমশিং এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিনবগী মতাংদা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মুইভানা হায়খি, এন এস সী এন-আই এমনা লৌরিবা ফিরেপতা নাগা তাবা মফম পুন্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি।

মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি...

লামায় ১গী মখা... লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী কেস মশিং য়াম্না হেনগৎলক্লি। হৌজিক লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরগী ফমুং মশিংগা অনাবা মীগী মশিংগা চান্নদ্রে। কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা পেসেন্ট অমনা হকচাং নুংঙাইরক্তবা মতমদা ডোক্তরগা পাউ ফাওননবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নরে। মথৌ তাবা হিদাক-লাংথকসু মতম চানা পীবীদ্রে। মসিগীসু মথক্তা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা নুমীৎ ১০ নি থম্লগা টেষ্ট তৌদনা ময়ুমদা হলহনবগী থৌওং অসিনা লায়না-লাইচৎ অসি অমুক্না হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লাকহল্লে হায়রি।

টেষ্ট তৌবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হাংলিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা টেষ্ট তৌরুবা মীওই কয়া নুমীৎ নীনি/হুম্নী হেল্লবা ফাওবা রিজল্ট ফংদবা য়াওরি। করিগুম্বা মতমদা সেম্পল মাঙখিবগী থৌদোকসু থোক্লি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা অমসুং য়ুমদা হোম ক্বারন্টিন তৌবগী খুদোংচাবা লৈজদবা মীওই কয়া মতম চানা লৌখৎপা লাক্তবদগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগী পাউ নুমীৎ খূদিংগী তাবা ফংলি। অসিগুম্বা থৌওং অসি কা-হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অমদি প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদা পুখৎলকপা অনাবশিং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌদ্রিবা ফাওবা লায়েংবীদবা অমসুং করিগুম্বা পোজিটিভ ওইরল্লগনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা রিফর তৌখিবনা শিফম থোক্তবা অনাবা কয়া শিবগী থৌদোক তেল্লবা মতম খরসিদা তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিবা মী মশিংদগী ডোক্তর অমসুং হোস্পিটাল ওথোরিটিনা থৌশাদবদগী শিবা মশিংনা হেল্লকপা য়াই। হীরম অসিদা হেল্থকী পোর্টফোলিওসু পায়রিবা চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ুম ১ মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচ এন এস) : শীংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈরাঙ্গোইথোং জগনাঠ অচৌবা লৈরক্তা লৈবা লাইময়ুম মেমচৌবীগী য়ুম ঙসি অয়ুক পুং ৭.২৪ রোম তাবদা খঙহৌদনা মৈ চাকখ্রে।

য়ুম অদু মখাদা চেক্লা শারগা মথক্লা উনা শাবনি। মৈ অদু মথক থংবা কাদগী গ্যাস লিক ওইবদগী মৈ হৌরগা চাক্লকপনি। মফম অদুদা মৈ চাক্লে হায়বা পাউ হেক ফংবদগী ইম্ফালগী ফায়র সর্ভিসকী কাঙবুনা খোঙলৈ থুনা লাক্তুনা থংনবা য়ুমশিং মৈ শম্নদুনা চাক্লমগদবগী কনবা ঙমহৌখি হায়রি। মৈ চাকপা অদুদা য়ুম অদুদা লৈবা পোৎ-চৈ অয়াম্বা উৎ ওনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীদি অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): নৈনশঙ ক্লব তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়, ইম্ফালগী ফাওন্দর মেম্বর ওইরম্বা, ক্লবকী প্রসিদেন্ট অমদি এদভাইজরগী ফম পুবিরম্বতা নৎতনা নেসনল এৱার্দি ওন চাইল্ড ৱেলফ্যের, বেষ্ট ভলন্টরি এৱার্দ, পদ্মশ্রী এৱার্দ ওন সোসল ৱারগী মনা কয়া ফংখ্রবা অয়েকপম তোম্বানা থা অসিগী ১৫দা লৈখিদবদা নৈনশঙ ক্লবকী মেম্বরশিংনা শঙলেন্দা মীনট অনী তুমিন্না লৈপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক মপুগী মফমদা মেম্বরশিংনা থৌনিজখি অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না নৈনশঙ ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি পোৎশংবম খম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

শ্যামকুমারগী মথক্তা ফাইল তৌরকপা...

লামায় ১গী মখা... মরম অসিনা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫৯গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না মহাকপু এ সী অসিগী রির্টর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা দিক্লার তৌখিবা রিজল্ট অদু চৎনহনফম থোক্তে। মহাক্কী মহুৎতা পিটিসনরবু ৭-অন্দ্রো এ সীগী ইলেক্টেদ এম এল এনি হায়না লাউথোকপীয়ু হায়বসিনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসি মীখল পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৭ অদুমক্তদা মসিগী রিজল্ট লাউথোকখিবগা ফাইল তৌরকখিবনি। হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা পিটিসন অসিগী হিয়রিং চথদুনা লাকখিবনি।

অদুবু বেঞ্চ অসিনা কেস অসি থেঞ্জাং ৫৫ রক্তা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎলবসু চহী ৩ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা দিস্পোজ তৌবীদ্রে হায়দুনা পিটিসনর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ৬৭৪ ওফ ২০২০ ফাইল তৌদুনা ৱাকৎলুবনি। মহাক্কী কেস অসি হায়কোর্টনা অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌহনবীয়ু হায়জখিবনি।

ৱাকৎসিদগী এপেক্স কোর্ট অসিনা হৌখিবা জুলাই ২৮ দা পীরকখিবা ওর্দর অমদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা ইলেক্সন পিটিসন অসি থা ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা দিরেক্সন পীরকখিবনি।

ওর্দরসিদগী খোঙজেল য়াংনা চথরকখিবা কেস অসিগী ৱায়েলগী মনুং চন্না ঙসিসু ইলেক্সন পিটিসন অসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চতা শুপ্পনতগী কেস অসিখক্তং লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেসসি লৌখৎলদুনা মসিগী ফাইনেল হিয়রিং পাঙথোকখ্রে। অদুগা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস টিকেটতা মায় পাক্লকখিবা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ অসি বি জে পিনা লুচিংলিবা লৈঙাকসিদা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট অমদি মহুদকী থৌরম পুবা মিনিষ্টর ওইরম্লবনি। অদুবু কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মহাকপু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌননবা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলদা পিটিসন ময়াম ফাইল তৌরকপদগী মসিগী দিস্পোজেলদা মহাকপু মার্চ ২৮, ২০২০ দা দিসক্বালিফাই তৌখিবনি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিদা কাউন্সেল অশেম মোহেন্দ্রোনা পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপ্লগা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনমনা রেস্পোন্দেন্টকী মায়কৈদা লেপ্লিবনি।

বি জে পি লৈঙাক্না মাইনোরিটিশিংগী...

লামায় ১গী মখা... হায়জিন্দুনা ভোট খোন্লি। মদুনা কান্নবা করিসু ফংলোই। বি জে পিগী ৱর্করশিংনদি অতোপ্পা কেন্দিদেটশিংবু হুন্দুনা ভোট খোন্বীগনু। মিনিষ্টর অমা ওইনা ৱাঙ্গোই এ সী অমসুং মণিপুরগী য়াইফন্নবগীদমক করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু য়েংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, মণিপুর ষ্টেট হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন শগোলশেম অচৌবা অমদি বি জে পিগী এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি।

পুং ২৪গী মনুংদা কেস মশিং খ্বাইদগী...

লামায় ১গী মখা... ককচিংদগী ৭ য়াওরি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ১৪,৭১৫ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২,০৯৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,৬২০ য়াওরি। নারুবদগী ফগৎলকপা মীওই ১১,২৪৫ গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৮,৯৭২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২,২৭৩ য়াওরি। এক্টিভ কেস ৩,৩৬১ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩,০১৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৪৩ নি। হৌজিক হৌজিক ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭৬.৪১ ওইরে হায়রি।

ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের)না ময়াই তাংবল লৌদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকখি। লৈঙাক্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৌখৎপা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। নেসনল হেল্থ মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর, হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর অমসুং জেনিমসকী দিরেক্টর য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী মীহুৎশিং লোয়ননা ওফিসলশিংদা জন অন্দলোন কেম্প্যেনগী ৱাশক লৌখি।

চৈরকসিদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎকদৌরি। প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাংনা হায়খি, মদুদি লায়না-লাইচৎ অসি কা-হেন্না শন্দোরকপা মফমশিং মশক খঙদোক্লগা হায়রিবা মফম অদুগী মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্লগনি। মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিশিংনা খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না খনবা মফমশিংদা চৎথোক-চৎশিন থিংবগা লোয়ননা লাইচৎ অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

সী এ এগী মতাংদা হোম মিনিষ্ট্রিনা চহী অমগী মতুংদা...

লামায় ১গী মখা... শেমখি । এন ঈ এফ আই পিগী ফেদরেল এসেমব্লিনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংদা সী এ বি/সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বগী অমত্তা ওইবা দিমান্দ তৌখি। লোয়ননা এন ঈ এফ আই পিনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা এন ঈ ষ্টেটশিংদা সী এ বি/সী এ এ চৎনবা য়ারোই হায়বগী মপুং ফারবা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্নবা লেপ্লখি। হায়রিবা মেমোরেন্দম অসি এন ঈ এফ আই পিগী মেম্বর ষ্টেটশিংনা মাগী মাগী ষ্টেটকী গভর্নরগী খুৎথাংদা নোংমক্তদা হায়বদি কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৯দা পীশিনবা হায়না লেপ্লখি। ৱারেপ অসিগী মতুংইন্না মণিপুরগী ওইনসু মেনপেকনা মণিপুরগী গভর্নরদা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৯দা মেমোরেন্দম অসিমক পীশিনখি। লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনবগা লোয়ননা তকশিনখি।

মেনপেকনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দগী ৱারোল পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, হান্নদগী মীতোপ্পা লাকহৎতুনা লৈরবা অদুগীসু মথক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ঙাকলৌসু লৈতবা মণিপুরদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৯ চৎনবা য়ারোই লোয়ননা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা এক্ট অসি চৎনহনবীগনু হায়বনি। লাইবক ফবা হায়গদ্রা হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ৯দা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুগী পাউখুম চহী অমখক্তংগী মতুংদা চহীসিগী ওক্টোবর ১৫দা মেনপেক্কী খুত্তা ফংজরে। থেংলবসু থেংনা মেনপেকনা মণিপুর মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা থমজখিবা ৱাফম্ব লুম্না লৌবীদুনা পাউখুম পীরকপদা মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা ইন্দিয়া লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা পাউখুম অসি এন ঈ এফ আই পিগী অতৈ সিষ্টর ষ্টেটশিংদদি ফংবগী পাউ লৈত্রি হায়রি।

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, ফোরেনরস দিভিজন, (সিটিজনশিপ ৱিং) গী অন্দর সেক্রেটরি অশুটোশ আনন্দনা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ২৭তা খুৎয়েক পীবা পাউখুম অসিদা হায়রিবদি দি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৯ অসি পার্লিয়ামেন্টনা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদা পাস তৌখ্রে। দি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০১৯ (সী এ এ) অসি কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ১২দা নোটিশ থোক্লগা চহীসিগী জন্যুৱারী ১০দগী চৎনবা হৌখ্রে। দি সিটিজনশিপ এক্ট, ১৯৫৫গী সেক্সন ২ (১) (বি) গী মতুংইন্না অমদি সেক্সন ৬বিনা সিটিজনশিপকীদমক স্পেসল প্রোভিজন অমা পীরি। হায়রিবা সী এ এ, ২০১৯ গী সেক্সন ৬ বি অসি অসাম, মেঘালয়,, মিজোরাম নৎত্রগা ত্রিপুরাগী ৬শুবা সেদ্যুল চৎনবা ট্রাইবেল এরিয়াশিং অমদি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন, ১৮৭৩গী মখাদা 'ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টম' চৎনবা ষ্টেটশিংদদি চৎনররোই; সী এ এ অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না চৎনবা য়াবা/য়াদবগী মতাংদি কোর্টতা শিংনরকপগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক সুপ্রিম কোর্টতা কেস চথরি; চেরোল অসি কম্পিটেন্ট ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা থাজখিবনি হায়নসু পল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী ওইনা মীয়াম্না পামদ্রবা সী এ এগী ঈহৌ কনশিল্লকপদগী গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা আই এল পি চৎনহনখিবনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ওইনদি মপুং ফানা হরাওফম থোক্তে অদুবু মণিপুরগী ওইনদি খরমখৈ শ্বর হোন্দোক্লবা তাঞ্জা অমদি ফংহনখি। এন ঈ এফ আই পিগী অপূনবা খোঙজং কয়াদা মপূং ফানা শরুক য়ানবা মেনপেকনা মতম চুপ্পদা শেম শাদুনা লৈরি। হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মরকসিদা আই এল পি নিংথিনা চ্যেক তৌরিব্রা তৌদব্রা হংনীংঙাই ওইরি। মমাঙদা ফ্লাইটতা লাকপা খরদি আই এল পি পীরি হায়বা লৈখি, অদুবু বাই রোদতা লাকপা মপানগী শিন্মী অমদি লল্লোনবশিংদি কদাই ফাওবা চ্যেক তৌরিবগে হায়বা অদুমদি পেন্নীংঙাই ওইদে। রেলৱেজগী শিন্মীশিং, প্রোজেক্ট ৱর্ক শূবা লাকপা কয়াসু লমজাও সরক্তা থোরক্তুনা ফাগৎখিবা কয়া লৈখ্রে। অদুতা নত্তনা মপানগী মীতোপ খরনা পীক্লিবা নুপীমচা কয়া ইকায়খুম্নবা মাঙহনবগী, নমজা নমথেক্লবগী পাউ কয়াসু তানরি, ক্রিমিনেল কয়া মীচম ওইনা লোন্না শাইদাংলরি। পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা মণিপুর লৈঙাক্না মীতোপ চঙলকপদা চৎনগদবা মপুং ফাবা গাইদলাইন শেম্বা লোইশিনবীয়ু, লোয়ননা মীকুপ নাহুম শীংনা তঙাইফন্দনা আই এল পি ইস্যু তৌবগী থবক কুপ্পা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক হৌরকপদা আই এল পি পীবা লেপ্লুবা অদু হাংদোক্তুনা পীবা অমুক হৌখ্রবনি। আই এল পি ইস্যু তৌবগী পাউদি তানখি অদুবু পার্মিট মতম লোইদুনা রিন্যু তৌবা নৎত্রগা আই এল পি পায়রমদবগী ফাগৎপগী পাউদি ঙসি ফাওবদা তাখিদ্রে। মেনপেক নৎত্রগা জে সী আই এল পি এসকী থৌমীশিংনা হকথেংননা চ্যেক তৌবগী থবক অসি পায়খৎলগদি পুলিস দিপার্টমেন্টকা ঐখোয় মশেলগা মুক্লবগী ফীভম অমা হেক্তা ওইরক্নি, অদুনা ৱাথোক-লান্থোক য়াওদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ষ্টাফশিংনা আই এল পি চ্যেক তৌবগী থবক অথুবদা পায়খৎপীয়ু হায়না মেনপেক্কী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি। ইশাগী ইরমদম ইশানা ঙাক্তুগদি মপানগী মীতোপনা কৈদৌঙৈদসু ঙাকপীরোই হায়বসি মেনপেক্কী চপ চাবা থাজবনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়াশিন্নবা তরাম্না ওকই, তুংকোইবা...

লামায় ১গী মখা... লাইফমশিং অসিদা থোরক্লিবা চয়েৎনবশিং অসি মতম পূম্বগী ওইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা উকলনা লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা হায়জখ্রে। মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবা মরু ওইবা ৱাফমশিংদি লমদমসিগী মরু ওইবা মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা উমংলাই লাইফমশিং, খুভমশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা ঙাকপী শেনবীনবা থৌরাং পায়খৎলু। তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা উমংলাই লাইফমশিং, খুভমশিংগা শাগোন্নরিবা লমগী পাক চাউবগা লোয়ননা লাইফম, খুভমশিং অদু তাবা লম্বীগা লোয়ননা চানবা লো অমগী মতুংইন্না প্রোটেক্সন তৌবীয়ু। লাইফম, খুভম নৎত্রগা লাইশঙদা অমাং অতা থোকহনবা মীওইশিং খুদক খুদক্তা ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীয়ু। লমদমসিগী লৈশেমলোন অমদি পুৱারী নৎত্রগা লম্মীৎলোনগা মরী লৈনবা মফমশিংগী মমিং মাঙহন্দুনা নৌনা মমিং থোনজিনবা খুদক্কী থিংবীয়ু হায়বসিনি।

থমজরিবা ৱাফমশিং অসি লৈঙাক্না লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১ ফাওবগী মনুংদা খন্নবীদুনা চানবা ৱাফমশিং থম্বীদ্রগদি লাক্লিবা নবেম্বর ১দগী হৌদুনা ইপা ইপুগী খুভমশিং, লাইফমশিং কঞ্জনবা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং পাক শন্না চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
NACO
MACS
HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.